বসন্ত লিকলা

Five Makers Of The Modern Manipur



জোনষ্টোন সাহেব



ডাঃ লৈরেন



কোইজম অযুবী



দ্বিজমনি শর্ম্মা

সগোলশেম ইন্দ্রমনি

অইবা :
সলাম তোম্বী

বসন্ত লিকলা

অরানবা ঐগীনি

অচুম্বা ময়ামগীনি

অইবগী হক নৈতে।

সলাম তোম্বী

মাওফম তাকপা

চিয়ম : লামাই :

লাই

হে ভগবান ! অপোকপা মপু

নঙ করি লমদমদা লৈ ঐদি লমুকনরে

তাইবঙ লোয়না শকই পোল্লি

নঙনা মহেল্লি থাবা লোইবা নাইদে

ধর্ম্ম' কল্পনা থক্তা খোল্লি থাদা খোল্লি

নঙনা মরাঙই নঙনা মরুই ॥

পোকএ তাদে পোক্লবদি শিদনি

পোক্লা শিরবদি পাথোক্লনি

শিরে তাদে শিরগদি পোক্লনি

শিরগা পোক্তুবদি লোইগনি

শিবৎ পুন্সিগা পুন্সি নখুত্তা লৈ ।

চঙদবা হ্মাদবা নুংশিৎ পী ঈশিং ফজনা য়েন্নি ।

ঊনদি ঊমনিংই করি ঊপাইদি লৈ

তাবদি তাদে কনা ঊনখি

নঙ শাওসু শাউদে য়েক্লশিংন খোরক্লোই

অচান মীরাই নাইদে ধ্যান তোপনা চানবীরোই

মঙ অমদি লেদি লৈ লৈত্তবা হাদে পোক্তী পোকতে ।
মঙগী তোপ তোপ্প মঙন লৈদগী মৈত্তেনা লাই কৌই,
মঙনা পীবা পুন্সিনি নঙনা পোকচী-থাকপীবনি
মঙনা য়োকপী নঙনা তাকপী ওহাত্তা থাদোকপীদে
পুন্সি অসিদা মঙগী খোদা তৌজবনা খোদল ফংজবা
শক্তচম্মে ॥

গান্ধী

(i)

অনাই লংগী খুদৈদা শেংপা
মীরমংলেনগী ম্বাথ´ খাংদোকপা
লাইরমলেনদা পানখিবা
নপাগী ওইজবা থিদবা
অচুম্বা লাইনি লৌবা
কনা হাওই নঙঙবা
লৈতে লৈতে নতোমদনি
খৃষ্টানা যিশুনি হায়র মুসিলমনা মহম্মদনি
হিন্দুনা কলকী অবতারনি
নঙ পোকপদগী ভারত কাওবনি
ভারততা নঙবু ভাদবা থওদবা হাওদে
ভরতকী কোনা কোনাদ নঙবু পোক্লী
নঙনা খ্বাইদগী পাম্বা "মানবা"
নঙগী হাথংনা ভারতকী দেববানি
পৃথিবীদা নঙবু থওদবা অতাংবনি
য়ুরোপতা হিন্দুস্থান, ইন্দিয়া থওদবা হাওই
অদুগা Land of Gandhi হায়রবখি থওদবা থেঙমদে

"মায়রা" পায়দণী হিন্দুণী নুতুন লংথোকখি

পুরিণী জগনাথ থুরমখিদে হরিজন্দা দর্শন পীদরদা

পোকন পয়রা য়াদরা হরিজনণা তিয়ৈ চামিয়ৈ

মুসলমান পাফর খানগা চামিন থকমিয়ৈ

মামরা নৈতরদা খৎনরা জাকই তিমরা য়াদে

হিন্দু ধর্ম্মনা অচৌ - জীণক খাইমনবদণী

মুসলমায়া চহি ৭০০ নৈয়ে

অকোনবণী চহি ২০০ অমনা সাহেবকী মথা পোয়ে

ভারতবাসি হৌপৎয়ে চুমনা নেপ্পা ভমশিয়াত্তে

কলক য়েংখিনরা লিংজেল মায়দরদণী থোকপা

নগুণী নব্বায়া ভারত পুমা পুয়ে

হিন্দু মুসলমান খৃষ্টান খায়দনা অমতা গুইয়ে

পর্দাহদণী নুণী চিংংংক্ষ ছাত্র ছাত্রী কৌথোক্ষে

ভারত মায়রে ভারত কয়ে সাহেব হয়ে

জিনানা শক্তি পায়দণী ভারত পাকিস্থান খাইখি

মাণী থৌমু নাগমু কয়ানা মাবু খগুদরা য়াগুই

সাহেবকী মায়োক্তা ভারত আন্দোলন তৌরা তাবদা

মা নতনা অতৈ নৈতে

থেংনয় থেংনয়গা মাণী মগুন ময়ামনা খগুনয়কই

মাণী বুংলাই য়েকনবদা তমখিরা তৌদরা

মশানা অথাকপা লৈঙনা ঢাকবা

রেকনবনক্কাওবা মীচংদি লাইহৃদনা সনমান তৌই

মাপী খুৎলাই অমত্তা ওাইবা "সত্যাগ্রহ"

মাইথিবা লৈত্তে হনবা লৈত্তে তকন তকনরগা থোবা
হেনগৎলকই ।

পৃথিবীনা "সত্যাগ্রহ" খওস্রে মখোয়গী লোন কয়াম
হাপখে ।

ভারতনা মতম পুমনমক্তা মাপূ কাউরোই ।

হৌজিককী এতোম খোয়গী মুপ অসিদা

গান্ধিজিগী "সত্যগ্রহ" তওাই ঋদনা শিজিন্নবা য়াদবা
লাক্লে ।

নুজা চনু

নুজা চনু শকহেনবী
বসন্তদি কুমসানদে শরত পূর্ণিমা নোংমতনি
নওদি শিদ নাদ লাইরেম্বীনি
ছমাংতনা তেংনা মাঙ্বী
নোমজা চৎচবনা শওং শাথেক ফজবী
লুইদা হেনলিদা কুচু কুমেন ঈশিং মনম তাই
চানৈ চুনৈ সনা লৈবাক্তা
লাইনা থাবা মমোমনি
নপাজল নথৌনা লাজা লৈতে
হাওইদকো নখোয়না পীজ পীথকপা
নুংঙাইদকো নখোয়না য়োকপী থাকপীবা
হৈদকো তাংন-শান
থ_মইদা য়াম্না খো'জল খোংনা মেংনা।

:(O):

মনিপুর

মনিপুর হায়বসি মমাংঙৈদ মীতৈ লৈবাক কৌরম্মী। মী অতৈ অতৈ লাকতুনা তাখিবা লম। কনা য়াওরে হায়বদা নকনবা বর্মা য়াওরে চিনা য়াওরে, তীবত য়াওরে, থাইলেন্দ য়াওরে। মখোয়শিং অসি নোংপোক হায়মদগী লাকপা মীনি। লমদম অসিগী মীগা চারো-মৌরোনদুনা অমত্তা ওইখ্রে। চহি চনি-রোমগী মমাংদগী নোংচুপ হায়মদগী মী লাকলমই। মদু মীতৈনা মীতোপ-মীয়াম কৌরম্মী। মীতোপ মীয়ামদগী মমাং তাখি। থরদি চারো-মৌরোনরে থরদি বামোন হায়দুনা অদুম নৈ। বৃটীশ লাকপদগী মরী চংথোক চংশিন ফাওনরকপদগী নোং-চুপ হায়মগী মীশিং হায়মনা লাবখি। ১৮৫৭ গী সিপাই মুটিনিদা থরা হেম্না লাকখি। মতম অদুদা মণিপুর স্বাধিন ওইরম্মী। লাংহৌবা য়াওরুবা জমাদার সুবেদারশিংবা মথৱাই হিং-নরা মনিপুরদা চেনশিল্লকখি। নোংপোক হায়মদগী লাকপা মতমদদি মীতৈ লৈবাক নত্রগা মৈত্রবাক হায়না খঙনরম্মী। মীতৈ মৈতৈ অমত্তনি। নোংচুপ হায়মগী মী লাকপদগী মহাভারতকী ৱারী পনশিন্দনা চিত্রাঙ্গদা অর্জুন বব্রুবাহন য়াওশিন্দুনা মনিপুর থোরে। মহাভারতা য়াওবা মনিপুরদুদি নত্তে অদুবু লমদম অসি-নদি মী অতৈ কয়া লাকখিবা লৈবাক, কয়া লৈরম্মী। খুমন, মোইরাং, অঙোম লৈবাক, লুৱাং লৈবাক, লৈশাংখেম লৈবাক চৌং লৈবাক ময়াম অসি তিংরগা মনিপুর হায়বা মমিং থোনবসে ফনবু করে।

লৈবাক অসিদা লৈবা মীশিং গম্বনা ওদুনা চাজবা নোমজ-চৎচবা মীনি। মীশী মপান কয়া ভাংদে। মশা মউস্ অদুম ঐ, কুচ্-কু মন অদুম চৎনবা য়াই লোল-লিশাওং শাখেক য়েংবদা মোয়োলিয়াম্নী হৌজিক্কী মতমসিদা নোংপোক চিদাইদা লৈবা পীক খবা লমদম অরুংদা নাগালেণ্ড নেংচুপতা অ'সাম খাদা মিজোরাম নোংপোক্তা কম্র্'া, মনিপুর কৌরবা লৈবাক মচা অসিদগী ভারতা, বিদেস কয়াদা মনিপুর মচা:না তাখিবা মখং মশং পনজদে। নকনবা আসামদা ভিক্ পরদগী হৌদুনা সিবসাগর, লমদিং, হোজাই জমুনা-মুক, গৌহাটী ব্রহ্মপুত্র রাংমা, কছাব, সিলচর, লক্ষিপুর, বাসকান্ডি লাম্বাগ্রাম, থাংজম য়াবীবন, ভেরাপুর বন, ভেরাপুর, হৈলাকান্দি, নচিংবা মফমদ ঐতে লাক্ ও চেমা লৈ। এম, এল, এ কায়্, মুনিসিপালিটীগী কমিসনার কায়্, পুলিস কয়া ওইরে, রেলবেগী ওফিসার কয়া ওইরে। মখংদা মীরৈবাক ওইগুবা বাংলাদেশতা লাক্ অময়োম লৈ। মরু ওইনা শিলেট্টা খুল কয়া লৈ মীতৈনা লৈবা, সিবগঞ্জ, খাইদেম খুল, অকা দক্ষিন, রাজবারি। রথ য়াত্রাদা কাং ১২ চিংই। অদুগা কাংশিং অদু মনিপুরী কাং হায়্ অদুমকপু বীক্ষুপ্রীয়াগী ২ য়াওই। হিন্দু মুসিলম খৎনরক্কনি হায়দুনা arm police চামভানা ভাকই। অসিগুম্বা মীতৈগী কাংশিংসিদি পাভলশিংনা পেক পাক লাওবা ভমপোৎ নত্তে। বেঙ্গোলি হিন্দু-লোদি মসজিদ হেক লানবদা মুসলিম অমনা বন্দ হায়বদা অদুম লোয়রে। ত্রিপুরাদা মনিপুরী লিশিং ৫০ মুক লৈ। অহান-বদা ভরতনা য়াধিন ফংখিবৈগী ১৯৪৭ দা মমাংদা ত্রিপুরাগী মন্ত্রি মন্ডলদা মনিপুরী অমা য়াওই, কামিনিকুমার সিংহ কৌবা।

মীতৈনা এস: পি: অনিরুদ্ধ ওইখ্রে, জেলার ওইখ্রে, জর্জ অনি ওইখ্রে। হৌজিকনা আই: এ: এস: অনি লৈরে। রাজনীতিদনা এম: এল: এ: অনি অনি কাদৃনা লাকখি। ডিপুটী স্পীকর ওইখ্রে, স্পীকর ওইখ্রে, মীনিষ্টর ওক State ওইখ্রে। হৌজিকনা মনিপুর মচানা Cabinet Minister ওইরি। বিরসিংহ কৌবা কলাশ্বর কেন্দ্রদগী।

মীরেবাক বর্ম্মাদা মীতৈ লিশিং 80 লৌরি। Rangoon দা বামোন লাই লাত্না লৈরি করামনা ফুরিৎ তুদুনা, করামনা সনা শাবা, উ শুবা, ড্রাইভর, হেন্দমেন, খুবাক মখি য়েংবা মাইবা শাবা পাজি য়েংবা। অকোনবগী অহম অসি বর্ম্মানা পাউনা কৌই। কালেৱা মন্দলেদসু মীতৈ খ্রামনা লৈরি। মনিপুরগী ইম্ফাল রেডিও ষ্টেসন Rangoon দা নুমিদাং ফজনা কাই। মখোয়না ওাইবসি ইবেগীগী খোংজোম পবর' অমদি পেনা অনিসি মখোয়না পামজখ্রবা। Rangoon দা পাঞ্জীগী জগউৎসবতা মীতৈগী Programme অমা, ঈশৈ শকপগী খ্রাওই। মখোয় তরামুকনা শকই। পঞ্জাবী মররারী বীহারী বর্ম্মাদা লৈরে। ঐখোয়গীদি চুরাচান্দ মহারাজা মচা খোকপা অমা লৈরি। অন্দামান নিকো-বরদা মীতৈনা কাং কাওবা চিংই হায় কোজেং য়্লোয়া।

ঐখোয়গী মনিপুর মচা হায়বসে লৈরু লৈরুবা লমদা হাইনা হমনা পাখি। ময়মদি মখুৎনা শুজবা মোমজ চৎচবা, লমলম অদুগী মীনা খাননা চৎপা মখোয়গী শাজৎ লীচৎতা লমদম-শিংগী মীনা অদুম লুনা তৌবী। মনিপুর মচা হায়বসি শীকথ্রবা লমসিনা মপান্দা লাক্ক ৫ য়োম কৈবনি। খৎন-চৈনবা লৈতনা

মৈতনা লমদমশিংদুগী মীপা ভিমনা লৈ। ঐখোয়সু লমদম অসিদা অঁতৈ অতোপ্পা লাকপদা। মরম চাদনা য়েকমবা ওইনা লৌদে।

করি লমদমদা আসামী কদায়দা তাই, নাগা কদায়দা তাই, মিজো কদাইদা তাই, মেঘালয়া কদায়দা তাই। মখোয়দি মপান থোকতবমিনা মখোয়গী মতৌ মনিপুর মচানা থক তমদে। মনিপুর মচাদি লৈরু লৈরুবা মকমদা লাকচদে ঐখোয়সু মরম চানা মী অঁতৈশিংবু লুনা তৌবী।

:(—):

হৌজিক্কী মনিপুর শেমখিবা থাদবা য়াম্রবা মীশিং মঙা

Sir. James Johnstone, Major General K.C. S I., Dr. Leiren, Akoijam Amubi, Dwijamani Sharma, Sagolshem Indramani.

Jonhnstone সাহেব:— মহাকনা মনিপুর বৃটীসনা লোয় চঞ্জীতৈদা ১৮৮৫ কাওবা পোলিটীকেল এজেন্ট ওইরমই। মহাকনা English school অমা লিংথে কয়া হোৎনরম্মই। মতম অদুদা মনিপুরদা school হায়বদো অমত্তা লৈরমদে। মনিপুরগী মীং-থৌনা থোইদোকপা য়ানিংবা পীরমদে। মতম অদুগী অওম অথৌনা maj. থঙাল য়াওনা সাহেবপু চীংনবা মিৎয়েংদা য়েংলম্মী। সাহেবনা অসুম তৌশিল্লকপদগী ঐ/থাকপী মৈতৈ লৈবাক অসি লৈরকতবা ডাই হায়না কিনরম্মী। এদুদগী থঙাল মেজোরনা জোনষ্টোন সাহেবপু উনবা লাকলম্মী। মানা হায়রমমী "মহাক্না অনা ঐবু জেনেরেল কম পীঙিবে। সাহেবসু ঐবু জেনেরেল কৌবীয়ু। ইন্দিয়া গার্ভমেন্টকা ইনবা কান্দসু থঙাল জেনেরেল হায়বীয়ু।" এ! কদায়দগী য়াদগে। ঐ অসে নওনা লাকপদা কমদুনা লৈব য়াদে নওবু জেনেরেল হায়না হেক হায়নখিবদা নওবু সলাম তৌগদবনি, ঐ এটেনসনদা লেপকদবনি।" থঙাল য়ামনা মপুকনিং নুংঙাইতনা হনখি। মত্র লৈরগা অমুক উনবদা জোনষ্টোন সাহেব-না হায় "থঙাল নওবু জেনেরেল কৌবা য়ায়দে ইন্দিয়া Govt. তসু ইয়ুদে অদুগা সলামককাদি তৌয়োইদ্রে। ঐগী হাপ্তা মনুংদা স্কুল অসি লিংবা য়াইরু।" থঙাল হয়াওরে, হয়াওবনা লুক্তোন কায়ে। "শোয়্রদনা তৌহনগনি" হায়রক্লগা থুনা চৎখ্রে।

অদুদগীদি স্কুল লিংবা হায়রে। School লিংলে, মাগী মমিংদা 'Johnstone School'' হায়দুনা। হৌজিক ফাওবদা দরবার মেম্বর, মন্ত্রি, পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর এসেম্বলীগী মেম্বর, সেক্রেটরি, থানাগী অচৌবা, ডাক্তর ইঞ্জিনিয়ার ওঝা কয়া মাগী School'' "Johnstone School" দগী থোকখ্রে। হৌজিক্কী মনিপুরনা Johnstone সাহেবপু সলাম তত্তনা তৌজরি।

Leiren Doctor:— ডাক্তর লৈরেন হায়বসি ময়ামনা মুমনাক কয়া খঙদে। ডাক্তর লৈরেন হায়না চৎলে। মহাক অসি ১৯১৯গী হাওরানদা চৎলুরগা হন্নকপদা মতম অদুগী Govt কা য়ানদবদগী মহাক রিজাইন তৌরে। মনিপুর মনুংদা ওফিসার অমা রিজাইন তৌবসি মানা ইহান হানবনি। মহাকনা মমিং য়ামনা চৎলিবা মতম অদুগী মনিপুরদা মনিপুরী ডাক্তর লৈরমদে। মহাকনা ২শুবা ডাক্তরনি। অহানবা ডাক্তর গোবরধন। ডাক্তর লৈরেনদি সরকারগী থবকসু তৌদ্রবনিনা লরাই ইম্ফালসি মতোম্বা অয়াম্বনা লায়েংলমমী। ময়ামনা ডাক্তর লৈরেন হায়রগা অদুম খঙলে। মতম অদুগী Govt, কী অমোৎপা ফত্তবা কয়া ফোং-দোকপা থবর অমত্তা লৈরমদে। মানা "য়াকাইরোল" হায়বা মেপাজিন ইহান হাননা ফোংদোকখি। মাগী মেপাক্তিমা মনিপুর অসি য়াকাইখীরম্মী। কোন্নুংগী অমাং-অশেং, দরবার মেম্বর শিংগী মিচং-মজন নাইবা অমোৎপা কয়া ময়ামদা খঙহল্লম্মী। অদুগা লোয়-লোয়নবা নহারোল লাইরিক লাইও হৈনবা থবক পাইখৎখি। মতম অদুদা হান্নদি লৈরে, লরাই, ইম্ফাল, চৌংদা। জোনষ্টোন স্কুলদা মী

স্রাথেদবক মমিং চঙ্খ্রী। অরেম্বদু খেঞাজি কুঞ্জ। Class না vi কাওবক্তবক লৈরম্মী। হয়াইবম নবদ্বিপনা Mother Club হাল্লবা অমা লিংখৎলম্মী। মদুনকা ওইবা লাকপা য়াথা নত্তে। প্রথম শ্রেনি পাস তৌরপা মীং চনকম লৈতবা। অপর প্রাইমারী স্কুল অহুম থাংমৈবন্দ, খোইরাংখোম, চীংতা। মিং চনবা কংদবা মশিং য়ামনা হেক্‌ৎলকপদগী লৈরেন ভাক্তরনা হাকচুল অনৌবা অমা লিংখৎনবা অহনবা লৈতনা খোঙ চঙশিনখ্রে। লাইরিক লাইগু হেবা থানাগী খোমদাম থঙী, I.P.S. অতাংজাও Cheif Engineer দরবার মেম্বর স্নাত্তাওবা, লাইরেনলাকপম ইবোহলনচিংবনা মতেং পাংখি। অহিং নুংথিল চাদ থক্তনা চপ স্নুংনা হোৎনবদি মানি। ছাত্র দি লৈরে ওঝা য়াংলে। ওঝা মপান্দগী থর কৌরে। মনুংদগী অয়ামম ইবো-তোমচা, আলি-উল্লানচিংবা ওঝা ওইবা য়াওই। স্কুলদুগী বমিং New High School কৌখ্রে। বাহেংবম লৈকাইদা লিংখি। হায়দি কয়া য়ারমদে school লিংবগী থবকসি কোম্বেংদদি ভাব ভারকপত্তম তৌমাগে মহারাজ চূরাচান্দ। New High School লৌশিনখ্রে। মাগী মমিংদা Churachand High School হায়না খোনখ্রে। হৌজিকী C.C. High School মিনি। স্কুল হৌজিদগীসু মনিপুরদা হৌজিক আফিসকী থবক তৌরিবা অফিসারশিং এবং এমঃ এঃ মন্ত্রী কাওবা থর য়াওরম্মজনি। হৌজিকী মনিপুরনা লৈরেম ভাক্তর কৈদৌঙৈদসু কাওররোই।

Akoijam Amubi :—

নুপীমচা লাইরিক তম্বীনবা হোৎনবা। মহাকসু লৈরেন ডাক্তরসু থুরাই মচা ওাক্তনি। মখোয় অনিমক সংগোলবন্দ হায়-রিবা লমদমদা লৈদুনা অরুবা থবকশিং অসি পাংথোক্লখি। মাবদি মানা থুাইদগী হেন্না য়াখি। লৈরেন ডাক্তরনীদি ছাত্র লৈরগা ওবা থর য়াৎপদনি। স্কুল লিংবদি ছাত্রনা মরুনি। মতম অদুদদি ওঝাদি থর নৈরে। নুপীমচা লাইবিক তম্বা হায়বসি কয়া চৎনং-রমদে। নুপী লাইরিক হৈহনবসি চুম্মী হায়নরে থবক্তদি চৎথরমদে মীচমগী মচানুপী অমত্তা লাইরিক তম্লরমদে। দরবার মেম্বরগী মচা, থানা বাবুগী মচা, ইঞ্জিনিয়ারগী মচা, ডাক্তরগী মচা, অসিত্তনা তম্লরম্মী। মশিং অসি য়াম্মশে য়াম্মলবদা ৫০/৬০ না হৌরম্মী। মখোয়গী থাগী হৈরকপা কিনা ওঝা কয়াগী তমব পীবা ওমগনি? অঙকপা ফংনা য়াই। মহাক অঙকপা ফংবা য়াখি। থাবুসু লৈরেন ডাক্তরদা পাংবদৌনা মনিপুরগী অঙম অথৌশিংনা মতেং পাংবীরমম্মী। মদুনকাদি ওইবা য়াবগোৎ নত্তে। অয়াৎপদু মেমবা মমুমদা ড্রামা পার্টি লিংখৎলি তিকেৎ লৌরগা দ্রামা শামহল্লী। মথংদা Circus পার্টি লিংখৎলি। য়াহেংবম লৈকায় মন্দোমত্তা তিকেৎ লৌরগা শেল তানখি। অদুদগী মৈতৈ-লোন্দা নুপীগী থুবাক ঊশৈ পালা লিংখৎতুনা কাংদা মন্দোমত্তা ঊশৈ শকতুনা শেল তায়মম্মী। অদুদা অয়াবদি কোনুংলোমগী মীগী ইখিন্দগী মান্দোপত্তা মৈতৈরোল শকপা য়াদে হায়বা য়াওদবা নত্তে। নুপীমচাগী মহৈ তম্নবা হোৎনবদা অকোইজম অমুবীনা

রাজপৌনা রাখিবা লৈতে। মদুগী School অদু মচা ইবেমমা অহল শিগুবী অফাম্বাগী মমিংদা থোনখ্রে; চুড়াচান্দ মহারাজনা লৌশিনখ্রে। অফাসনা কুলদগী ইহান হান্নবা Matric থাংজিন ওংবী খেদমনি মানা ইহান হাপ্পা মনিপুর নুপী তাক্লনি। মরু ওইনা হৌজিক্কী মনিপুরগী নুপীশিংনা অকোইজম অমুবীগী মমিং শোনগনি শক্লনি।

Dwijamani Sharma :—

College অমত্তা লৈতমদে মনিপুরদা, মহাকসু অনৌবা High School লিংবা লৈরেন তাক্কর, কোইজম অমুবীদগী তাদনা রাখিবা মীপা অমনি। লাইরিক লাইও মতিক চানা হৈবা মীনি। মহাক অসি মনিপুরগী মনুংদা ইহান হানবা First class First Gold Medalist নি B A দা। লাইরিক লাইওদা মাওজিন থানা চৎপা মীনি। মহাকসু রাখা রাখা মথৈ রাখি। মপাগী ওইজবা করা থাদোক্তুনা সরকারগী থবক তৌরম্বা থাদোকলগা College লীংনবা মরুন মথুম মপাজন থাংদোকতুনা হোৎনখিবা মীনি। মানা খিতং খুদোং চাবা হাম্নবু মনিপুর অসি হায়গী মনিপুরদি ওইদে। মীয়ামশিং লাইরিক লাইও হৈবগী থবক অমা তৌরে। মনিপুরগী চিথদনা অচৌ অপাং মথৈ মাবু মতেং পীরমই। থাগীদা ছাত্র লৈরে। মীগী মীহৌসু লৈরে। লৈবাক্কী মীহৌসু লৈরে। লৈবা থোইদোক হেন্নোকনা মতিক চাবা মনিপুরদা লৈরমদ্রি। অহানবা তাকুকতা মহারাজসু থোইদোক্লা মরাই রাওরমদে। ইকোন

কোনবা বর সাহেব ভ্রিমসননা চাউখ্রুবা আসাম রাইফলসকী অরাংদা লৈবা কলেজ লৈকাই হাপনা খওনরম্‌গা লম অসি শীরমমী। সম চকশ্রিরকপনা মহিং মাঙ্গা চংলবা থাসি Ph.D. ফংবা Thcmas না Principal ওইরে। Dwijamani না Vice Principal ওইরে। মখিংনা চড়াচান্দ মহারাজগী ইয়ান হানবা মহারাণী ধনমঞ্জরীগী মখিংদা হিংখৎলে। মহৈ তমগী মরুমদা Dwijamani Sharma খরাম মাথনা মাওবা নীপা অমনি। মাগী মমা মহারাণীগী মখিংদা College অমসু কৎলে। নৌমা মনিপুর য়ুনিভরসিটীদসু Manipuri Research কী Chair অমা হাংদোকলে। মদুদা লুপা লাক্ষ অহুম দান তৌখ্রে। মহৈ মশিং চাউখৎনবগী মরমদা থুাইদগী চাউনা দান তৌবা মীনি। মহাকপু তুংগী নহারোমা নীংশিংগনি ।

Sagolshem Indramani :—

অনৌবা মনিপুরবু শেমখিবগী মনুংদা ঐগী থৌমু-নাওমু ওইরবস ইন্দ্রমনিসে শরাক কজনা মাথি। মহাক অহল লমনদোনা যাম্নদি রাখিদে স্কুল লিংবদদি। মহাক্না শিঙ্গমশং, Adult High School, লিলাশিং খোংনাংখোঙ হায়স্কুল লিংখি। মহাকীদমা ওঝা লৈরে ছাত্র লৈরে লৈবাককী মীহৌসু কজনা লৈরে। অদুদগী "মীতে মাইবা" হায়বা যেনাজিন অমা তৌরমমী থানা লারেং-লবগীদমক। হৌজিক্কী মনিপুরগী মনুংদা মশা ফবগী ইহৌ অসে মাদনা পুরকপনি। মাইয়াম অচৌ, Body building champion মীনা খওনবা রাজবাপু শর্মা, খোংধোরী, India গী champion ওইখিবা Maipak, Dr. N. I. Singh অমোরিকাদা লৈখিবা, Delhi গী

কালাম আজাদ Medical College Body Building গী Gold Medlist অনিরক ওইখিবা মহাক্না ঈহৌদগী থোরকপনি। মনিপুরদা মহাক্লোনগী মশা কয়গী ঈহৌ অমা মানা পুরকখী। বোক্সিংগী থককসু মামা পুরকই মনিপুরদা, হৌজিক য়ান্না তাংনবা "বাবু সিংগী ওইনা লাকখিনি"। লাইশু মনাওবীগা সজায় গন্ডীনগী মতেং লৌরগা কাংজেবুংদা ব্যুটী কন্টেষ্ট ঙক্তনা পাংথোকখি। ব্যুটী কন্টেষ্ট হায়রবসে মহুমা ইহান হানবনি মনিপুরদা। Hockey team অনি জিংখংলমই Young Physic (A) অমদি Young Physic (B) হায়দুনা। A-team দি কপ কাওবা কংখি। মতম অদু অর্থি আশুম জিংখংলমমী। অতাং অনি অহম Matric passed তৌখি। হৌজিক্কী মনিপুর লেমশংপদা মাগী মখোদাং কজনা তৌখিবা নীপা অমনি।

মী তিম্নবনা কাম্নবনি

লঙ্ক ফত্তবদগী ফত্তে হায়রনৈ। শিংবদি শোইদনা হেক্সংলে। অহানবা জর্ম্মন লান্দা (1914-1918) মনিপুরদগী চুড়াচান্দ মহারাজগী সিফাই ৫০০ থাই। পোৎচ পুনবা লিশিং ২ গা মপুগী মনুংদা লম হেনখ্রুবা মু থকপা জুর শামবা মী য়ামনা তিনখ্রুবা নুপা অমা য়াওই। সিফাই ৫০০ অসি য়ামনা য়ানা থাখি। সিফাই মরক্তা লাৱাইদগী কারকপা কোংবা কৈথেলদা লৈখিবা চুড়াচান্দ মহারাজগী মুরাগী ওজা ফুৎ ৫ ইঞ্চি ১১ য়াংবা তোমচা তাংখুল য়াওখি। মহারাজনা ওবা মী ওদে ফন্দককী লাল অসি ওজাসু থরা য়াওবীয়ু। "শ্রীযুৎকী য়াথংবু সৈপাক তাহৈদে অহন্দী থরা ওইরে হায়রবু নুপী খিদি, ইচা পোক্তে শ্রীয়ুৎকী য়াথং ইনবদা থৱায় কংখোকচগে"। সিফাই ৫০০ নে পোৎ পুবা লিশিং ২নে মৈতৈ নুপী ছইদোংম মুবী লৌবা Blackey সাহেবনা লচিংদুনা কাকৈথেল লমপাক্তা চুড়াচান্দ মহারাজনা বেঙ্গল বজাইগা লোয়ননা থিন্দোক্ল-মই। কাকৈথেল লম্পাকতা মনিপুরগী ইমা ইবেমশিংনা খুদোল পোংকা লোয়ননা পোৎ লায়রমই। মনিপুরগী ইমা ইবেমশিংনা হায়জরমই "Blackey সাহেব নচা ননাওশিংসে মতু নামা কেন্দনা হুরকউ নমাই পাকলকউ" হায়না বীদায় তৌরমমী। ময়াম অদু কহার চীংগী চত্না সিলচরদগী জহাজ তোংদুনা লাম্নীগী ট্রেনিং তৌফম Lands Down দা পুংখরে। ট্রেনিং তৌবদা মথক্তা হায়খিবা তোমচা তাংখুল য়াম্নাসিদি মরোল মরি অমত্তা বংদে।

Left Right March Forward ওয়রা থংনদুনা কেপ্তুনা চৈর-
বদৌনা তৌরম্মী। অদুগনী মথোল্লবু ট্রেনিং তৌরিবা মেজর অদুনা
শাউন থোংউপনা কাউরে।' ট্রেনিংদগী হল্লকলা অব তৌনবা মালা
মওকপমদা থাগদিরে রামানদি রেংশিরে নোংথৈ অদু পুজা
তৌরগা কপ্তুনা লৈরম্মী। মহাকনা হায় আ। ওসি নুংশাবাইরবদা
Major সি থোরকলবদি মহাক কাপতুনা হাংলমগে ইশাসু
কাপ্তুনা পিজরগে" হায়না কপ্তুনা লৈখ্রে। কনহাই অফাওবা
লাকলে। ' কনহাই হৈবো ইল্লাবা শিরগে ওসি নুংখিল অসি Major
অসিনা থোরক্লবদি ঐ কাপ্তুনা মাবু হাংকে অদুগা ঐসু পিজরগে।
মাঙ্গা মাসেগনা চূড়াচান্দ মহারাজমক্তা নপ্পা কাওবা নানথিবা
ঐবু শাউম থোংউপনা কাওখিবসিদি ঐ চিংবগী কাল্লগ্রে। সনা
লৈবাক মিংচৎ থিরনি"। কনহাইনা হায়রে "ওঝা তৌবিগনু
হল্লেং অসি ঐ শোল্লদনা মা গেরেজ তৌবদা থোংগাকনসু কাওগনি
ক্লুসু ফুগনি। ফৌজ মররামদা ওনশিন্দুনা চুম্মী চুম্মী হায়দুনা
লাওবীয়ু"। Major সু 'খারক্তে কনহাইনা হায়বা মাদুনা
তোমচা তাংথক পোখাখ্রে।

নোংতাংলে Major লাকলে। মৈতৈগী ফৌজ মরাম
লেংলে Major হেক থুংলবগা কনহায়না থোংগাকনা কাওরে
নমদুনা ফুরে" অদুগদী মঃখারগী Brigadiar না লাক্কনা উরে।
Huistle থোংদুনা বোনেট fix তৌরগা কনহায় কোইশিনরে
সিফাই ২৪না। মানা লাউই "মনিপুরীদি খুবনা লাংবা চৈনা
কুবদি রাই। শউন থোংউপনা কাওবদি ঐথোয়গী হন্দ্রনা য়াদে।

যৌত্ত মঙ্গামনা লাওরে চুম্নে চুম্নে হায়রনা। সাহেবশিংনা ভাংই মৈতৈনা খণ্ডদে মৈতৈনা ভাংই সাহেবনা খণ্ডদে। ব্রিগেদিয়ারনা লাওরে মখোয়গী officer in charge Blackey কৌখোরকউ হায়রনা। Blackey লাকলে মহাক্কী মৈতৈ নুপা লৌদুনা মৈতৈ-রোল ফজনা খোকলে। অদুনা মৈতৈগী লোনচৎ শাজৎ মুম্না খঙবা মীনি। সাহেবশিংনা মৈতৈগী কৌক্রসিবুদি লনা তৌই। মুম মচা অমা শাউ হেক্তা ভস্মী, শময় শাও ভস্মী, খোং মচা অমা শাও হেক ভস্মী, হোকী শায়বদা Team পুমনমবপু জয় তৌদুনা চুড়চাঁদ মহারাজ C.B.E , K.C.S I. ফংখি। মৈতৈ-বুদি সাহেবশিংনা ঙাম্না লুনা তৌই। ঙাকম অসি Blackey দি ঙাম্না মুম্না খঙলে। মহাকনা মৈতৈ ইমা ইবেমনা ফাকৈ-খেলদা থর পীরকপা কাউবা লৈখিদে। মহাকনা ব্রিগেদিয়ার দা হায়রে। মখোয় Revolt তৌরে ঐনা হায়বসু য়াররোই। হাংদোকলো। ব্রিগেদিয়ারনা হায়রে 'হায় ভাইখো খোঙনা কাউর-গা নখোয়গী ধর্ম্মগী য়েকনবা ওই হায়বসে ঐখোয় খঙদে অদু ওইরবসু পেরেড তৌরিঙেদা লানফম চঙগদৌরবা নখোয়না নখোয়গী officer কুরমবসিদি Army গী Discipline নদি ওকরামক য়াদে। অদুবু ধর্ম্মদা খোকলে হায়রবনিনা নখোয়গী সিফাই কনহাই কয়গে। মতুংদদি নখোয়না য়ানীংদবা লৈরগসু নখোয়গী Blackey সাহেবতা হায়য়ু। মানা ঐখোয়দা হায়গনি ঐখোয়না পীবা হুকুম অদু নখোয় ইন্দবা য়ারোই"। অদুদগী কনহাই খাদোকলে, Major পুদুনা চংখ্রে। Major অদু অমুক লাকখিরে।

বর্মাদা 1945তা লান লোইরমদাইদা কবোদা বদাম ললো-
নবা য়াম্না কায়রম্মী। বদাম ললোনবদুদা ইম্ফাল মচা অনি
অহমগা খোঁবাল মচাগা তিমদুনা বদামগী কারবার অদু তৌরম্মী।
ইম্ফালদা লৈবশিংদুনা লাড়ী লাড়ী পুরগা তুমুদা থারম্মী। খোঁবাল
মচা পাখং অদুনা বদাম অদু তুমু কৈথেলদা দুকান অমগী
মনাক্তা তরাংপালিন থম্দুনা অরাপ্পা কাজৈরা মশালেদগী ললোনবা
ভাইদুনা লৈরম্মা। মহাকনা মুংখিল তুম্মু বদগী হৌদংলগা তুম্মুগী
তুরেল মপান্দা মুবী হৌরিবদু কাদুনা হেকলম্মী। তুমুগী লৈপাকী
মরিথক তুরেলদা ইরুজবা থোরকলম্মী। মখোয় মরি অদু করি
করি কবো মরোলনো য়াম্না ভাংই। খুবাক থুরগা য়াম্না নোকই।
মাসু অনৌবা মীনা ওইবগা মুবী অসি হেকপা য়াদবনি হায়রিবরা
খন্দুনা নাম্বরকলে। লৈপাকী অনিনা মাগী মথুন নিংগী শেংগনিনা
ফি য়াওদবা অকমদা পায়করে। শাউবনা খোঙপাকনা লৈপাকী-
শিংদুদা খোঙপাকনা কাউরম্মী। মখোয়না কপ্পা তাবগী কবো
নহা অহল চেম্হোয়রকতুনা মাবু কোইশিল্লক্লী। মানা ভাংই মখোয়না
খওদে, মখোয়না ভাংই মানা খওদে। মখোয়গী অহল লমমা কানী
থকপা কত্তে তোম্বা কৌ হয়রম্মী। কত্তে তোম্বা মী জাং জাং
গুনা তিমরবা মী নি। মানা হংলে "হায় ইবুংঙো নও কৈদৌরুরে
মখোয় অসিদি থাংকন খোংকনবা মীনি।" পাখওদুনা খুন্মী
"ঐনা মুবী কাদুনা হেকলিঙৈদা খুবাক থুদুনা পওনোক্তা নোকই
করিনো মরোল মরিদি খওদে পঙাংদা ভাংই ঐসু খওদবগী মুবী
হেকপা তোকতুনা নাম্বরকল্লী। ঐগী ফি য়াওদবা থুনদা মখোয়না
পাইরম্মী। ঐসু নহাগা ওইবগা মখোয়দা হৈনদদুনা খোঙপাক্লা

কাউখিরম্মী"। কভে তোম্বনা কবো লৈশাবীশিংদা হংলে। কবো লৈশাবীশিংনা খুমলম্মী "ঐখোক্নদি কভেসিবু স্নাম্না খানংলম্মী। মখিংজেল ফবা মখোনা লৈবা মীপানি হায়দুনা। মা মতোম্দগী নাম্বুরকপদা ম্নাম্না ব্বারমলগনি হায়না মথ্‌নদা ঐখোয়না ওকপনি'।

অদুদগী কভে তোম্বনা কবো মন্নামদুগী হায়রে মা হাংতোকলে মহাক পাখংনি মুশী খিদ্রি। মন্না লৈতবা লৈশাবীনা ক্ষি ম্নাওদবা পাখংগী মথ্‌নদা পাররবদি মাগীদি লোয়রে। মতু থিবা ফংল-রোই। মহাক স্নাম্না শাওরবনি শিবা নাবা করিমত্তা কিদ্রবনি'। কবোগী অহল লমম্দ্‌না "কভে তোম্বা নত্তগী ম্নাসিবু শোয়দ্রবরা ?" তোম্বনা হায়রে 'শোইদবা হায়ববু লৈশাবীদা পাখংনা ক্যাওবসি শাওখদা লোইরবনি।" অদুদগী কবোগী অহলশিংদুনা লৈশাবী মদ্রি অদু চৈর চৈরপা পুশিনখ্রে।

রোকেট ফেল্লর

পৃথিবীগী থ্বাইদগী ইনাক খুনবা মী থ্বাইদগী মাম চাওনা তৌখিবা অমেরিকান। মহাক অসি নহা ওইরিঙৈদা অমেরিকা পুম্বগী oil refinery company গী কেরানী অমা ওইরম্মী। মতম খর লৈরগা মহাক oil refinery গী মেনেজর ওইখ্রে। অঙকপা ফংনা থবক তৌবা মীনি। মহাক proprietor ফাওবা ওইখ্রে। মহাক proprietor ওইবদগী শেল অসি হেক্কপা ফংনা পায়রে। শেল অসি হেয়া হেয়া পায়রগা হেয়া হেয়া পাই-নীংবসি মহৌশা ওইরমারে। মতম অয়াম্বদা তুম্না চাবা থংদনা ইমুং মনুংগী নুপী অঙাংগী বাখল পুংকাও কাওদুনা শেলদা থম্দুনা চহি কয়া লেপ্লকলে। মাগী শেল অসি অঙকপা ফংনা হেনগৎলে। whole অমেরিকাগী oil refinery গী থবক্তা নত্তনা inter-national গী trade ফাওখৎলকলে। Egypt তগী long staple লপিং জহাজ কয়া অমেরিকাদা পুরকলম্মী। Egypt তগী লপিং পুরকপা জহাজ ৬ Telecast ফাংলে। ভূমধ্য সাগর অসি ঈথক অচৌ অচৌবা নুংশি হৌরে হায়দুনা মানা মেনেজর কৌরে। Insure তৌনবা মতম লৈরিবরা হংলে। Sir লৈরি। জহাজ ১দা দোলার 150 insure তৌরো হায়দুনা হুকুম পীরম্মী। নুমিৎ নীনি লেরগা Telecast অমুক ফংলে করিগুম্বা খুদোংথিবা লৈতে weather ফরে হায়দুনা। মদুদগী মেনেজর কৌরগা হংলম্মী নত্তে insure তৌখিবরা Sir তৌখ্রে। অস! ওসি ফাওবদা

তৌরমল্লবদি দোলার 450 অদু মাংলোইদবনিকো হৌজিক্তী মাংবা ত রে। জহাজ মচা অমা লৈরুরে মেনেজরনা মানা হায়বদনী। মেনে-জরনা হায়জরে "Sir জহাজ মচা অসি তোংদুনা মতম থরদং হবা চাবা চৎহনজ্নিংই জহাজ অদুগ্ লেংবা ওইনা'। মানা খুন্মী 'খাওদি কনানা লৈগদৌরি? ঐগী ক্রিৎ খাওদনী চৎকদবনি"। হায়দুনা হ্মারমদে অস্ম তৌদুনা শেল তানবগী থাবনদা থন্দ্না লৈরকংসি মতম কনা শাংলকলে মী তিন্নবা হ্মাওদে, পার্টি তিন্নবা হ্মাওদে, নুপী নহা অভাংশস্ কয়া তোইনা তিন্নদে। মাগী হায়ববু শেল তাল্লগা রে'হ্মরে হায়বনা মাগী লাইনিংনি। মানা লৈবা শেলসি করাগুক লৈবংগ হায়ববু দোলার 100/100গী মরুংনা পৃথিবীগী পরিধি অসি (40234 কিলোমীটর) 149 লক শেৎপদা শেল লেমই। অদুক হ্মাগ্রা লৈ। মাগী মপা লৈতে। মপাদি লোইরে তুম্বা হ্মাদ্রে চাবা হ্মাদ্রে চহি 58 দা ডাক্তরনা য়েংই লাইনা ফংদে লারেংনবা হিদাক লৈতে। মাগী খাইদগী হেন্না নকুবা নুপীনা হায়জরম্মী "Psychratist অমত্তুংদি তায়সি" 'হোই হোই নত্তনা শিন্নরো" সাইক্রেটীষ্ট লাকলে মাগী বারি, মাগী নুপীদা হংদুনা লোয়না খঙলে। অঙকপা ফংমা শেল লৈরে খঙলে। শেল পাম্বগী লায়নাদি নোংমা নোংমগী হেক্তিন্নকপা থংলে। ডাক্তরনা হায়রে নহাক চহি অনিগী মনুংদা নঙনা চহি 60 গুবা কান্দা শোয়দনা শিরগনি হিদাক লৈতে। নত্তোন্দা programme থম্ পীগে। থা 6 তং লেংসি। Prog-ramme অসিনা নঙগী শেল পামবগী থাখল থাদোকপা ঙমলবদি নহাক হিংগান। চাবা থকপা হ্মারকত্তবা শেলগী থাখক্তা থনবদা মপা অসি চোকথরকপনা মাগী পুন্সি অসি হায়গী মঙংদগী

হোংসিল্লা খনবা হৌখি। মানা দোলার লিশিং ১ পী। ডাক্তরদু লৌখিদে নত্তম্বা অমদগী ঐহাক পেল লৌনিংদে। নহাক অসি ঐনা হায়বা থৌরাং চৎলগদি হিংবা য়াই। থ্বাইদগী হেন্না মী-ওইবগী দান তৌবা ওয়া নুপানি"। মানা হায় "নত্তগী পেলয়াম অসি ঐশিংদৌনা হৈদোকখ্রে মী তিল্লৌ সিনেমা য়েংউ পার্টী চাও থা ১গী মনুংদা family picnic ৪রক চৎলু। ঐগী Programme সি অমুক্তা য়েংখিসি। ঐ মরা লৈরগা অমুক লাক্রে। থেনেজর কৌরে। কনা অমত্তা ভায়দে দান তৌবা য়াবা বদায়দা লৈ খিক্ল হায়দুনা য়াথং পীরে। উচাম্বা কুপ্পা উচাম্বা ফকলাং থাবা Hostels, College, Uuiversity, Buildings অমেরিকাগী মহায়োল Education ফংবদা মথেং পাংবা ওইনা Cement Concrete না লোয়না শাহে।

মীওইবনু মথেং পাংনবা Rocket Feller Institute লিংখৎলে। লায়না কয়াগী হিদাক Research তৌনবা institute লিংলে। পোৎথোক হেনগৎনবা Green Revolutiou গী institute লিংলে। পৃথিবীগী লৈত লাইর কায়গী মথেং পাংনবা institute লৈলে। গীকম্বা মনিপুরসি ফাওবা মাগী মথেং ফজনা ফংই। Picnic চৎলে, সিনেমা য়েংলে, পার্টি চাওরে। ডাক্তর অমুক লাক্রে কুচু কুমেন হেন্নে ফুট ৫'১০" য়াংবা য়ীনি। মাগী মগা য়ায়া ফুগৎলমলে। মথংদা থা তরুক লৈরগা ডাক্তর তমুক লাক্রে। Rocket Feller পুমক ফরে। ডাক্তরদা দোলার খিলিয়ন অমা লায়েংমন পীরম্বী। পেল পামবনা ফুমা চাবা খত্তবা Rocket Feller মাগী খাইদগী হেন্না পেল

থোকপা oil refinery অমেরিকা সরকারনা nationalised তৌখ্রে। মহাক মাগী উ কলদা অমেরিকান সরকার গী মথক্তা supreme court তা write case অমা তৌহল্লী। মাগী উকিলনা মেরেজরদা Rocket Feller বু পীরু হায়দুনা Telephone তৌরকখী। Rocket Feller না telephone পাম্র-খংপা কান্দা উকিল অদুনা হায়জবা ওমদ্রে। পাউ হেক তাবদা মহাক শোয়দনা নিংনি লৌরখী। Rocket Feller না হায়রে "হয় কৰিনো write case fail ওইরে হায়বা নত্রে? উকিল মা শোম্বাংননা খুমলখী "অহোয়"। Rocket Feller না হায়রখী "হয়োং বিল শারকউ নঙগী fee দা পী থাবকে। হায়গী Rocket Feller দো নত্তে। অনৌবা Rocket Feller অমা ওইরে। নঙগী oil refinery নিংদিং লিংদিংনা Rocket Feller বু মিনিট ৫ ক্ষাওবা ফুমহন্দবা ওমলরোই। চাক লাম্মে। এগী নুপীনা Dinner পীদমক ওাইদুনা লৈরম্মি"।

Rocket Feller চহি ৫৮ দা য়েংবা কান্দা চহি ১গী মনুংদা নিংনি হায়বদো মাগী Programme চংশদগী চহি ৯৮ পুরিখি। মহাক পৃথিবীগী মনুংদা খুাইদগী লন লৈবা ময়ামগী ফনবা Education গী, Health গী Production গী খুাইদগী চাওনা দান তৌবা অমেরিকান অমনি।

'মাপন' (৯) হায়বা মশিং অসি অঙকপা মশকনী

মপল্লা মশিং যেখা অমদা পুরিবদা পুরিবা ফলদু ফৈনা তিতিন্নগা ৯না য়েনবা ঙমগনি। ৯×২ ১৮, ১+৮=৯, ৯÷৯=১। ৯×৫=৪৫, ৪+৫=৯, ৯÷৯=১। ৯×৮=৭২ ৭+২=৯, ৯÷৯=১ মসি মাপনগী খোইদোকপা মওম্নী। মপম্না লোইবদা পোকখিবা পৃথিবীগী মী কয়া অঙকপা ফংনা ফাওখি। Emperor Nepolean পোক ১৭৬৯ দা পোকই মহাক Corporal অমা ওইরম্লী অদুদগী General ওইরে, France কী Emperor ওইখি। মহাক পৃথিবী জয় তৌগে হায়না হোৎ-নরম্মী। হৌজিক্কী লালোংদ পৃথিবীদা খ্বাইদগী অখোইবা General নি। মাইথিবা কয়া ফংলবস্ মাগী হৈশিংবদুদি পৃথিবীনা থাগৎতবা ওমদে। মহাক তুমনীংবা মকমদা তুম্বা ওন্মী, অহিং কয়া তুমদবা ওন্মী মহাক অসি Telent লৈবশিংগী মনুংদা খ্বা-ইদগী কাওবনি। মাগী মথংদা German গী Von Hidenberg অহুমশুবদা Second great World War গী General Roumel. Nepolean গী মমাংদা পৃথিবীদা undefeated General অহুমমক পোকখি। Alexander, Julius Ceaser Chengis Khan, মশোয় মহুমক Olympics player ওাজনি-মগা মউ ফবা ওাজনি। Chengis Khan Budhist নি। Mongolian নি। মহাক মুস্লিম নত্তে।

1869 দা মহাত্মা গান্ধি পোকই। লাইস্রিক অসিদস্ মাগী

িথন চল্লিত য়াওরে। হৌজিক্কী Neuclear বোমশী মচম অসিদা মাশী মাইথিবা লৈরবা সত্যগ্রহ হায়বা খুৎলাই অসি শোরবা অৎনো খুৎলাই অসিনা কনখুবা অাৎপু শিংনরমই। Martin Luther নেগ্রোশী Freedom শীদমক শাক্লিশী খুৎলাই শিজিন্নখি 1789 দা French Revolution থোকখি, নিংথৌ হাৎখি মহারানী হাৎখি প্রজানা। French Revolution শী Slogan দি Liberty Equality Fateinity অসিনি।

1789 দা জর্জ রাশিংটন ইহান হানবা প্রসিডেন্ট ওইখি American Constitution শা মখাদা। American Constitution শী মরু ওইবদি "All men are created equal"

1819 দা Abrahm Lincoln পোকই মাশী Democracy শী definition "Democracy is a form of Govt. of the people by the people for the people" Democracy শী definition মাশীসিনা মফকরে লৌনরি। নেগ্রোবু Equal right পীননবা Civil রার তৌখি। মাশী Slogan দি "A Nation of half slave half free cannot be a strong nation"। সিভিল রার মানা ওমলে। American Negro equal right ফংলে।

1879 দা Stalin পোকখি। মাহাক্না নৈহৎজবা চাবা থকপা ফংহনবা প্রজাশিংদা Karl Marx অমদি Lenin শী নীয়মবু য়াম্না মপুংফানা চৎহনখিবা নীপানি। Communism Russiaদা পুরকখিবা মুপানি। অার হাৎখে। মহাকনা মরু ওইনা তমখিবা

কয়া পুরকলবস্ মতম থরদি প্রজা শিংগী চারনা পীরমবা অরাবদুদি ফহনখি।

1889 দা Hitler পোকই। First Great world war দা মাইথিবা ফংলবদা German অফিবা ফংনা ওৎলম্মী। লাম্মী থম্বা য়াম্রে। জহাজ শাবা য়াম্রে এরোপ্লেন শাম্রে, অরমনগী colony পুম্নমক মুন খু। অবমনগী পৈশাশিংনা মৈথেৎতগী হেম্না হোংলে। মপুঙয়া কিতমদগী Hitler না 1933 দগী 1936 ফাওবগী মনুংদা Strongest Nations of the world ওইহনখি। Hitlerগী রাজ্রিস্ লাইব্রিক অসিদা য়াওরি।

1889 দা জৱাহরলাল নেহরু পোকই মহাক Independent India গী ইহান হানবা Prime Minist-r নি। মহাক শাথিন্য Secular ওই। মহাক শিংথানবা য়াবা world গী Democratic Leader নি।

মরুওইবা থৌদোকশিং

1789—ৱাশিংটোনা অহানবা প্রসিডেন্ট ওইখিবা চহি_ মদুগী চহিদুদা French Revolution থোখি। মসিগী পান্দমদি Equality Liberty & Faternity.

1869—Suez Channal হাংদোকখি।

1919—First Great World War লোইদুনা Treaty of Versilles হৌনখিবা চহিনি।

1939—খ্বাইদগী চাউবা লাঞ্জাও থোকখি, Great Second World War

1949—চাইনাদা Communist কী শাসন লিংখৎখি।

1959—চাইনিজ Communist না Tibet মৌশিনখি।

1969 – Armstorng, Aldrin না থাদা অহানবা খোংদাখি॥

1879—Poetess Sarojini Naidu, India গী অহানবা নুপী Governor অমদি অহানবা নপী Congress President পোকখি।

1469—Guru Nanak (Shikh শীংগী Guru) পোকখি।

অসুম মাপল্লা লোইবদা পোকপা মীশিংনা খ্বাইদগী ফাওবা থেঙ্খি।

লাইরিক

মৈতৈনা ইবা-খোৎপবু, শেকপস্ত কৌই। লাই য়োকপসু হায়মে। লাইবু য়েকই হায়দুনা মরেকসু হায়নে। মরেকশিং অদু মচন চানা লিক ওইনা লেংববু লাইলিক কৌই। লাইলিক্কী লাইরিক লাকই। মথাংথৈদদি অয়া অরাবা কান্নবা বা শক্লে-শোনে য়াগ্নি লিনৈ, লাইরিক লাইও লৈরমদে। অমগী মচিন্দগী তাবা করাম তাদনি। অক্ক অরুবা য়ানিং অদু মতুংগী মীয়ামগী থম্মবা উখাই লৈরমদে। ইবা খোংগদি খরদি হৌরে হায়ববু পাক্লা শম্বা লৈবা ওমদে। অদুবু জর্মনি গুইন্টেরনা শোক ১৪৫৩ দা Printing Press পুথোকখিবদগী পৃথিবী অসি হায়দগী শরুক লৌশিং লিশিং চাউখৎ খোংথাংদা চৎপা হৌখি। Press লৈবনা অরুবা য়াথল-শিংদু য়াওবা লাইরিক কয়া লেংলে লোন কয়া কয়াদা পৃথিবী শিনবা থুংনা পানরে। পৃথিবীদা লৈরিবা মীওইবগী চাউখৎলিবা পুন্নমক লাইরিক লাকপদগীনি। অথওবা অমনা ইরমদু কান্নবদি অদুম লৈহৌরপদবনি। লাইরিক লৈতবদগী য়াম্না কান্নবা কয়া ময়াম্না শিজিন্নবা ঙম্দনা যাংখ্রবনি। হৌজিকতি অঙাং ফাওবা নুমিৎনা কোইবা নত্তে পৃথিবীনা কোইবনি হায়বসে খঙলে। থাদা লেংলি পাজিবা লৈত্তে মী হিংবা য়াদে নুংশিং লেত্তে নুংশিং লৈতবদগী ঈশিং লৈবা য়াদে। ঈশিংগী জমীদা ভারত চৎপা য়াই হায়বসি ইয়ু-রোপকী মীনা খঙজমদে কংফালদদি মলোন ইতিক খর তৌনরবা পুথোক পুশিন রাখনা ইয়ুরোপনা ঈশিংগী জদী খিরকই। 15th

Century গী লোয়রমদাইদা কলম্বসনা অমেরিকা পুখোকখ্রে India থিরকপদা। অদুদগী Vasco-da-Gama না 16th Century লোইরমদাইদা আফ্রিকা মহাদেশ কোইরকতুনা ভারত সাগর তারকলে ইন্দিয়া অমসুং অতৈ নকুবা দিপ কয়া পুখোকএ। লাইরিকী মপান্দগী পৃথিবীগী মওং অসি কদায় কদায়দা করি লৈ হায়বসি হায়রকেং থওবা হৌরকলে। Steam Engine পুখোকলে James watt না, Railway Engine পুখোক্লে। অমেরিকা পুখোকপদা কলম্বসনা রায়রা Engine ময়ওদবা ফি তিংবা হি তোংদুনা অমেরিকা পুখোকখিবনি। Vasco-da-Gama সু মাগী অদুওম্বা হিদা India পুখোকখিবনি। লাইরিককি মপায়া Motor Germanদা পুখোকখি। Large scale Production দি Henry Ford না তৌখি (American)। চৎথোক চৎসিন্দা কয়ামুক নুংঙাইরে। থর লৈরগা 1903 দা Wright Borthers না মথক্তা পাইবা এরোপ্লেন পুখোক্লে। অদুদগী চৎথোক চৎসিন্দা নত্তবা অতৈ লম পায়খৎলসি Thomas Alva Edison না Electric bulb, Silent Cinema পুখোকলে। Phonogram অতৈ কয়া পুখোকখ্রে। মদুগী মরক্তগী থ্বাইদগী হেনবদি Electricity Domestic use দা অওকপা ফংনা পৃথিবী অসি মমিং পাংহনবনি। হিদাক লাংথক্তা থুংঙ থুংলাইদা পোখোক হেনগৎ-পদা চাথোক হেনগৎপদা অওকপা ফংবা থোংথোং চওশিন্নবনি। মসি লাইরিকী মপায়নি। মাওহয়বা থুংলাইদসু অওকপা ফংনা হেনগৎলে হৌজিক অসি Neuclear age হায়নরবনী। পুন্নমক লাইরিকী মপায়নি। Telegram, Telephone, Radio Television। লাইরিকী মনুংদা অকবা ময়াময়ো মীপুম থুদিংগী

ম্লেল্লবনি। শেংনা হাল্লরবদা হৌজিককী world অসি চাউখৎপদা য়ৌরবনি। পুম্নমক লাইহিক্কী মপামনি। লন্দগী অথোইবা লাইরিক্কী। পৃথিবীদা অচৌবা লৈবাকশিং অসি মশক খঙহন্নী লাইরিক্ন। পৃথিবীগী থৌদোক পুম্নমক গীপুম খিৎনা খঙহন্নী। হৌজিক উরিবা ক্জরবা পৃথিবী অসি লাইরিক্কী পুৎশেমনি।

শান্নবা

ইন্দিয়াগী মনুংদা মনিপুর হায়বা লৈবাক অসিনা খ্বাইদগী যাম্না শান্নবা মখল মখল লৈ। মীওই মীতৌস্ ব্রাংবদদি তেনবা যাওই মশা-মওং ফবদি মনিপুর মচা থানবা ঙ্গাবনি। ঐখোয়গীদি শান্নবসি অয়াম্বা তরেৎ তরেৎনা যাইগে অমমম ওইনৈ। শগোল কাংজে মী ৭ না, খোঙ কাংজে মী ৭, কাং মী ৭না শাবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গীদা লৈরিবা শান্নবসি ভারতকী মফম কদায়দসু লৈতে। অরাম্বাই হারবসি মখোয়দি খওবু খওমল্লোই। চোঙ্গোং মাওদোং, খুম্ব, খোংয়াই। চোঙ্গোংসে মখোয়দি লাইরুদনা সাহেবকী লোংজমওগী হেন্না ফজবা মমিংনি। হোকি ফাওবা ঐখোয়গী খোঙ কাংজেদগী হৌখিবা নত্তনা অতৈ দেশতা পেতে। মন্নাংঙদা লৈবাক্তি খুদিংগী লাইরেম্বী লাইরেম্বা হরাওনরম্মী। কাংজে মুক্না, লমজেল লম অদুগী অভাংশিং তাহনরম্মী। খুন অমদা লাইরেম্বী লাইরেম্বা লৈবা হায়বসে য়াম্না কায়ে। লাইগী মখৌবু অহবা তৌরগা পৌশিং পীবা ফত্তবা তৌরগা ব্রায়কপা অসিতনি। মাই অমা লৌংবদি মীওইবগী তঙাই ফদনা মথৌনি য়াম্না কায়বনি। হরাওবদা নুপী শিং পৌ চিংনখল্লী মশা মও ফবগী থবক্তা বম্না চাং য়েংনহল্লি। শগোল কাংজে হায়রীবা পৃথিবী পুম্নমক্তা যাওরবা মশামসি মনি-পুরদগী হৌদোকখি হায়বসি য়াম্লেনবা ঙাফমনি। চৈ ফমগা বে- অমগা শান্নবসি মফম কয়াদা লৈরমলে ইজিপ্ত [illegible] দা পার্সিয়াদা লৈরমলে হায়, Tibet তা লৈরমলে হায়। Tibet তা

কাংক্রমবু পোলো হায়। মদুগী মমিংদগী Polo কৌখি হায়রে। অদুগা হৌজিক্তী মতমগী শগোল কাওজে অসিদি দেশ পুম্নমক্কী য়ামনা চাওখংলবা মতুংদনি। খ্বাইদগী চাওখংপসি মনিপুরনা হেল্লম্মী।

শেক ১৮৫৭ তা সিফাই মুটীনি তৌখিবদগী মুটীনি য়াওবা সিফাই ওফিসার কয়া সাহেবকী মখাদা লৈতবা, মনিপুরদা চেন্নকখি। মখোয় অদু মনিপুরদা অদুম তিনশিনখ্রে। মখোয়গী ইথিলগা লোইননা সিলচরগী Tea Garden গী সাহেবশিংনা শিনদুনা মনিপুরগী Team অমা শিলচরদা 1859 দা শাম্নরে। সাহেবশিং মেমশিং অওকপা ফংখ্রে। মৈতৈগী শগোল শারল, চুপ্পী, কাংজে অমত্তা উবা ফংনদ্রি। অদুদগী 1860 দা মখোয়গী Head Quarter Calcutta দ। মনিপুরগী Team অমি পুদুনা শাম্নহল্লে। মেম, সাহেব য়েংজবদা মমিং কুপল্লে ময়া কাখ্রে। কলকত্তাদা মখোয়না আইন শেমদোক্লে। কাংজেবুংগী এরিয়া কাক্লে ফিরাল য়ুংদুনা শাম্নবগী নিয়ম থমখ্রে। মনিপুরগী মকম অয়াম্বদা শাম্নরম্মী। শগোল লোইবগী অয়াবদু লৈরমদে। কাংখোং পাড়ী লৈতবনিনা কাংফালদা পোং হোন্দোক হোজিন তৌবসে মরু ওইনা শগোলদা শিজিন্নরম্মী। করিগীনো হায়বদা তোংলগা থুনা চৎপা য়াই। হন্নকপদা পোং হাপগা য়াই। লম লমগী মতুং ইন্না কাংজেবুং চাউবা পীকপা লৈ, শগোল কাংজৈগীস্ খোঙকাংজৈগীস্। ফিরাল য়ুংদে। য়াইকৈনা পাঙ্গল চনফম ওই। খাগা হাংগা নন্নগা নোংগোকা নোংচুপকা। মৈতৈগী শগোল কাংজৈদা য়ামনা শিনবা য়াবা তানফম লৈ, তুপশিন্নবা, হায়রৌ। মখোয়সি অনৌবা কলকত্তাদা

লেপ্পা আইদ্রা থিংদ্রে। মথাংতদা পনোল কাংজৈ কাংক্রম, মনি-পুরনা য়োনবা শাক্রুনি হাপী কাংক্রম, কাংজৈ মনিপুরনা য়োনবা শাক্রুনি। কলকত্তাদগী য়ুরোপ, অমেরিকা, আফ্রিকা শামদ্রে, কলকত্তাদা শাবদগী লেমদোক লেমজিন তৌরবা হৌজিক পৃথিবীদা মমিং চৎলিবা পোলো অসি মনিপুরদগীনি। শারবা অতৈসু লৈ। শক হুরবা, লমজেল চেনবা, নুং হনবা। হৈশে ওইনা পকুরুম্মী শক চৎপা পন্থোম্নী, নুং চৎপা থবাক্পী, লমজেল য়াংবা কমলাকনি।

মুক্না য়াম্না ফজবা মশাম্র অমনি। মুক্নবদা লৌ য়াওবনি। মুক্নাগী মপাম্রনি মৈতৈ মচাবু মীরৈবাক মচানা উশিৎপসি। থোং কাওজৈ চুম্না চেনবা চোংবতা নত্তনা থাংগী ফিদুপ য়াওহন্নি। মাংজোং চেনফম লৈতবদা থোংবাল চোংবদা য়াম্না কাম্নবনি।

মৈতৈগী শান্নবা থুদিংদা তংখাই চল্লকপনা পল ওনবা লৈরম-লিবসি য়াম্না ফজবা শান্নজোননি। নাকল অনিমক্কী শান্নরোইশিংদা থুদোংচাবা অমসুং থুদোংথিবা মান্নরা হায়েল থোদা তৌরম্ননি।

মোইরাং

চাওখৎপসি মী ত্যমনবদগী লাকই। মীওইবসি লোঙ্গা তাইদা লৈরম্বী য়াম্না য়ানা। ঈশিং অসি জিব পানবগী য়াম্না কান্নবা ওঙাই ফংবা পোৎ অমনি। মীনদি থওদবনিনা সমুদ্র মপান্দা লৈবা ঙমলমদে, তুরেল মপান্দা লৈবা ঙমলমদে করমবা কান্দা ঈশিং চাঙনি থওদে। পীকখুবা নম্বুল তুরেন অসিনা ইকুই কুইদনা য়ুম খু্দেকখিবা য়াওখ্রবনি। শা-ঙা মীওইবগী অচৌবা মনা অশিং মহৈ মরোং, ঈশিং লৈত্রবদি ফত্তে। পৃথিবীগী চাউখৎপসি কাসপীয়ান পাৎ, উরল পাৎ ময়াদগী হৌখিরনি। মরমদি পাৎতা চেনশিন্নবা তুরেলশিংদুনা cm. ১০ দগী হেন্না হেনগৎপা ঙমদে। অতোপ্পা অতোপ্পা মফমদগী লাকপা পাৎ ময়াদা তাবা হৌখি। ময়াম তিম্নরবনিনা চাওখৎপা লাকখি। ঐখোয়গী মনিপুরদসু পীকলে হাম্নরীবা লোকতাক অসি তুরেল ময়াম অসিনা, ইম্ফাল তুরেল, থৌবাল তুরেল, ইরিল, নম্বুলনা লোকতাকদা নোংমদা ইঙ্খি মথান্ন অমা হেনগৎপা ঙমদে। মী তাবসি মনিপুরদা থর পুম্না তারকপসি অতৈ অতৈ মমদগী লাক্লগা লোকতাক ময়াগী অকোইবদা তাবা হৌখি। মমাংঙৈগী মৈতৈ লৈবাক্কী চাউখৎপসি মোইরাংদা ফংই। হৌজিক্তী অং নদগী মীতোপশিংনা তকশিন্নবপদি হাম্নগীদু ফনা য়ামনা হোংদোক্লে। চিংখুবা য়ুবরাজ কৌবসি ময়াংশিংনা কৌবনি। মতম অদুদা য়ুবরাজ ফংনরমদে। মনাও ইবুংঙো চিংখুবা কৌনরমই। হৌজিক অসিদদি মজাইবেন্না থোইবী চঙ্গোল থিজিল্লে। শাম্নবা মওংসি ফজনা লৈরম্মী। কৈ ফাবা কাও

ঙাকা মোইরাংদগী ব্রাহ্মি ফজবা মৈতৈ লৈবাক্তা তানরি। মমাংঙৈদা মহা খোইবীগী হ্রাদিদা য়াম্না থাংবা থাক্তী ফজবা খুদম ফংই। মহনা লাও লানদা কাওবা মরূপা কুইনা ইমরুপা অনিমক থাবনা ফত্তাক তানরম্মী। অমনস্ উমদে অমনস্ উমদে থাবদি লোম্লরে অনিমক। অতুদগী মহাক খোইরিদু পান্নরুপা শক্তিক খুদাপ অমা পান্নরগা চান্না লৌরম্মী। কাওদু ইন্নবা খোংনবদু তোক্ত্রনা চাংবগী নৈথন অদো তরাম তরাম ওকখি। মসি য়ামনা থাংবা থাক্তী খুদমনি। মথাংদা হাকতাদগী লমজেল তাম্নরকপা মহা নোংবাল য়াওবা মখিংদ কঙ হজনা খোল্লমগে, লমথাবুং, লম-থুংফম, লমহৌফম, লমহৌবা। মখুন লমজেল ... লমহৌ-ফম ঙৌ ট্রীংনা মপাইবেম্মা খোইবী, সেনু ওচানবী, মহগী মচে থমু তাইরেম মশা পইদুনা লম লৌগদবগী তাইদুনা চৈরম্মী। মহা গাং থানা চেম্নবজে। মপাইবেম্মা খোইবীনা তাইরেম মনা ঈ শিংদা লুপ্তা ইগা ইবুংতোগী পানা পাম্বাম শামা পাজল হনগনু লমহৌফম যৌশিন্নকলে, ঈশিং থিকলম্মী মহুদা। মসিগী লমথো-বসি মোইরাং খোইবীগী লমথৌবসি থাংখুবা থাক্কী খুদমনি। ওহা অথাবা চৈথিত্রে অ মনা লম হৌফমদগী লমখুংহম শা পাকথে।

ওলিম্পীক

নহা ওইরিঙেদগী মৈতেগী মুক্ৎা কাংজৈ লমজেল, থক হনবা অরাম্বাই হুনবা খ্বামনা পামনা থৌরকই। করেজ তমলবা কাম্দা হোকী, ফুটবোল, ক্রিকেট শাদ্রকই। ক্রিকেট বদরপুরগী রেলৱে তিমগা শাম্নরমই। হোকি খ্বামনা পামনা শাম্নবদুদা ক্রিকেট পাস করিমত্তা উদিত্তে। লৈইনা থোমবদবু ওতর বাউন্দরী থোমগনি খল্লম্মী। মনিপুর মচা অস্নাম্বনা তিমগী মকোকসু ওই। পুম্নমক তোমচৌ এলাংবম লৈকাইদা লৈবনা টীমগী কেপ্তেন ওই। অস্নাম্বা প্লেয়ার মৈতৈ মচা ওইরম্মী। রেলৱে, সাহেব, এঙ্গলো-ইন্দিয়ান প্লেয়ার তাক্তা ওইরম্মী। মখোয় খ্বামনা ওকই। মনিপুরদসু শাম্নরকমবু লৈরমগদ্রা খল্লম্মী। চীং তাকতগী লম ওইনা খল্লম্মী। ঐহাকসু থোইদোক্না চেকশিনদে। ওতর বাউন্দরী অমগা রন অনি চেন্নগা শিরে। শিলচরদা হোকি 1931 দা ইন্দিয়ান clubকা শাদৈ। মৈতৈনা player ৯ ওই ১১ গী মনুংদা। এলাংবম লৈকায়দগী রাধামোহন না captain ওই। ৬—১ দা থোইরকই। Calcutta গী Beighton Cup তা ৪লক শাম্নরকই। Calcutta গী team অমা অমুক থোইরকই। মনিপুরগী Most prominent player দি ওইরকই। কোইজম মনিহার, মোহনবাবু ঐখোয় অহমনিনি। Assam গী olympic games জোরহাটতা চুড়াচান্দ মহারাজনা আসামগী olympic games গী president ওই। মনিপুরগী Team গী মাক্নোক্তা আসামগী

Team না পাঙ্থ.ন ১ তা চনখিদে। ঐহাক অসি নহা ওইরিঙৈদা শাম্ববা য়াম্না পাম্মা হৌরকই। হৌজিক্কী Pologround অসি ঐনা নেত্তবা মফম ঐরুবনরোই হায়না খল্লি। মরমদি Polo-groundগা নক্লবা ঐনা পামজবনিনা practice তৌইনা তৌরম্বা হায়বা য়ারে। থানবঃ য়াবা Polo player সু ওইরম্মী কাংজেবুং অসিদা। অসুম তৌনা শাম্ববা পাম্বা মী ওইনা লাকলে। নহা ওইরিঙৈদগী জর্মনদা জপানগসি য়াম্না নুংশিরম্মী। সিলেটতা কলেজ তমলিঙৈদা বীপীনচন্দ্র পালগী আন্দোলন কয়া য়াওরকই। Anti British কী য়াথঙসি য়াম্না লৈরম্মী। German গী Hitler না Britishপু শিংনরক্পদা যাবু য়াম্না নুংশিরম্মী। মাগী Main Kamp 1936 তা পারে। অসুম তৌনা খন্দুনা লাকপা মীনি। ঐনা য়াম্না খোল্লাংনা ওইবা জর্মন, জপানসু চৎনিংবা olyampic games সু য়েংনিংবা ঐনা M.P. ওইরিঙৈদা 1964 দা Japan দা থোকলে। অদুবু নাবদগী চৎহৌরে। মথংদা 1972 দা ঐনা Rajya Shaba গী M P ওইবা মতমদা German দা তাদুনা চৎলে। Bombay দগী plane তোংই। Islambad তা খুংই। অদুদগী ঐনা য়াম্না চৎনিংবা Israel Visaনচিংবা লৌবদা খুদোংচাবা ফংলমদে। অদুদগী Greeceকী Athens য়ৌরে। Greece অসি ঐখোয়গী মনিপুরগা হায়রগ মান্নে। চীং পৎরাং রাংদবা চৈরাওচিংগুম্বা য়াম্না লৈ। অদুদগী Munich (German) য়ৌরে। ঐ অসি USA ফাওবা চৎকে হায়দুনা টীকেট লৌশিল্লে। ঐনা খরা নোংমদা লুপা ১০০ হায়বা অমেরিকাগীনা চনিনা য়াগনি খল্লম্মী। Munich য়ৌরগদি ঐনা লৈবা য়াবা Hotel লৈরমদে। অতাংবা লুপা ২০০গী নথক্তা

ভাক্তা লৈই ঃ ঙৈরে। ঐনা অম হেৎলুনা চৈদিংদা Taxi অমা লাকই। ঐবু মমল 'হাংবা Hotel অমদা থম্ব খিনথোম্ম হায়রে। মানা ঐবু পুদুনা চৎলে অমত্তা কংদ্রে। মহাক অসি অনৌবা চাত্র অমা ওইরমল্লে নুংদাংদা College তম্বা অম্বক নংখিদ্দা Taxi থোৌবা, মকংবদুনা মানা হায়রকই। "ঐখোইদসু লৈবা মাই নও ঐখোই Latrine অদু মামনা থোৎলে" হায়। অথা অমা তাম্বা চৎলে 53 Conar stress মদুদনা তুম্বদি মাবা চাবদি মথান্দা চাবা ওই-রাখেল। মদুগী প্রোপ্রাইতর অদু নুপী হনুবী অমনা ওৎকনী। অহানবা ভাংনবদা হনুবী অদু মানীংলন্নী। Taxi Driver চৎখ্রে। লুপা ১৫০ লৌখ্রে। অদুদগী ঐসে মও ৎ য়েংলগা হনবীদুনা ইনৌ মৌবা অমুক্তা উদবা ওইনগা তৌবদুদা কিবত্তম নৌগা ব্র। মনুং চংশুগা, German দা ঊগী থোং লৈতে থাংলেল ভাক্তনি, থিংলেল থোং অদু Switch অমা য়েংলগা খিংখিনখ্রে। অদুদগী ঐ মাপন্দা তৌকম থওদনা হেপ্পুনা কৈরন্নী। নুপী অমা লাক্নী। ইংলিস ফজনা ভাংই। "কৈদোইরে নওনা সিদা লৈবসে" হংলম্বী। ঐগী Passport উৎলে ইন্দীয়াগী M.P.নি হায়রে। Olympic কেংবা ডাকপনি Taxi Driver না Dormitory মপু অসিদা লৈনবা হায়নরে। মহাকসু মাবগুম চৌর অহানবদা অদুদগী ঐখোন্দা য়েংশিন্নগা মনুং চংখ্রে থোং লোনশিন থু। অদুদগী মানা switch অমা য়েংনি। নুপী হনুবীদো থোরকলে। নুপী হনুবীদুদা মানা হায় 'মুপা অসি ইন্দিয়াগী M P. নি নওনা নমানা মাবত্তম তৌরন্নী হায়বদুনা চুমলবদি মাগী লৈকম পীদবা মারোই"। ইকাই ইকাংনা মহাক থোও হাংলোকলে ঐবু লৈকম পীরে। মাবুসু তুংদা ঐহাক মাম্বা ফজনা থনদে। মরমদি কা অমত্তা ভাইরে

অহাংবসি মাপা ঐগনা কা থংনরে। Bathroom মাপন্না। মানা হৈনদবা য়াই থন্দুনা তৌবা ওইরমগনি খল্লে। নুপী অমি হায়রিবা Hotel অদুদগী মুসল্মান ও গুবদা ময়ুম লৈরম্মী। ঐখু হল্লেং পুং ৪দা Drink তৌনিংনা কটই হায়দুনা হায়রম্মী। Bathroom দা মাংফমগদু চংলুবদি ফজবগী অাহ্য লোইরে। ঈশিং অশাবা অঙৌবা লৈরে। কা পুন্নমকতা লেংদোকপা brush লৈরে।

অদুদগী নোংঙালগা outside Hotel অমদা চাক চারে। Hotel দা অচম্বা ঈশিং ফংবা য়াম্না য়াই। অয়াম্বা Beer ওইনা তৌই। নুংথিলদা ওরাংগী নুপীদুগী ময়ুমদা পং ৪ দা চংলে। য়ু মথল মথলগী পুখোরকই। মাগী মব়ামু লৈরম্মী। ঐনা য়ুদি থ তম্হায়বদগী Cocacola জিক্নী অহম পুংখোরকই। মাগী মমিং হংল্লে মমিং ফজ়েখে। Rosa Mary কৌই। মাগী মব়াদুদা ঐনা ইংলিসতা হংই "Where were you during the last world war ? His wife instantly replied "He was not borned. He is Hardly 25 yrs old wheres I am 37 years old". অওকপা অমনা olympic games অসি Willy Brant না Inaugurate তৌই। মমাংদা গুরগী কার অমতং চংলি। কার অমদা siren মচা অমা হাপলগা চংলি। কারদুদা Driver গা মখোয় অনিদমক চংলি ; Whole olympic Field অদুদা লিকাই অমতা লৈতে নোংমৈ মশক উদে Volunteer না Field দা তাবা চেজং চুরুপ মথি থুম্দোকপা College, University গী ছাত্রগা ওয়ামলা তৌই। ঐখোয়গীদি কদায় পীকন্না বাইথুরোকসিগী ফাওবা কাংজৈবুংদা শাদ্রবদা

সিফাইনা ভাকইবা মন্ত্রি মচাশিংগী Body guard না কয়া য়ামই ।
ঐখোয়গী রাজ্যসু নত্তে ভারতকী মকম পুম্নমক্কী য়াদি । অদুগা অম-
রোমদা Govt. চৎলাইবা ওমদে হায়দুনা থাউ পুদুনা চৎলি কোইনি
নীবা । ঐখোয়বু কনানা সনমান তৌবীগদগে ।

মুশ্লিমা 1972 গী olympic games তা Jew বু হাৎপগী
থৌরাং অমা তৌরম্মী । ঐদি লাইবক থীবনা মদু উৎহৌদে । মুশ্লিম
